অফঘান মনুংদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা সিভিল ৱার থোকহনবা পামদে : টালিবান

কাবুল, জুলাই ২৩ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টান মনুংদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা সিভিল ৱার থোকহনবা পামদে। অদুমওইনমক লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘানি মফমদগী লৌথোক্লিবা ফাওবা অমদি গভর্ণমেন্টকা ৱারী শান্নদুনা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা অমা পুরক্লিবা ফাওবা লৈবাক অসিদা ঈং তপ্পা পুরকপদি ঙমখিরোই হায়না টালিবানগী মায়কৈদগী ফোংদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা টালিবানগী ৱাঙাঙলোয়সু ওইরিবা নেগোসিয়েটিক টিমদা য়াওরিবা সুহেদ সাহিলনা ফোংদোকখিবদা টালিবান ফাইটরশিংনসু লৈবাক অদুদা তংদু লৈতাবা অমদি ঈং তপ্পা পুন্সি মহিং অমা পুরকপা পাম্মী। অদুমওইনমক লৈবাক অসিদা হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইরিবা অশ্রফ ঘানিনা টালিবান ফাইটরশিংগী মায়োক্তা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথরি। মসিনা মরম ওইরগা টালিবান ফাইটরশিংনা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মথক্তা এটেক চথখিবনি।

হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা টালিবান ফাইটরশিং অফঘানগী মরু ওইবা প্রোভিন্স অয়াম্বা কন্ট্রোল তৌখ্রে। টালিবান ফাইটরশিংনসু লৈবাক অদুগী মীয়ামগী পুন্সি মহিংদা অকায়বা পীদনবা হোৎনরি। টালিবান ফাইটরশিংনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরম কয়াদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী অয়েৎপা পীরিবা মখৈ লৈবাক অসিদা ঈং তপ্পা পুরকপা ঙল্লোই হায়রি।

অফঘানিষ্টানদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং নেটোগী লান্মীশিং চৎখ্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘান গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চথবা হৌরকখিবনি। য়ু এসকী মকোক থোংবা মিলিটরি ওফিসর জেনরেল মার্ক মিলিনা চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা টালিবাননা অফঘানগী মফম অয়াম্বা লৌশিনখ্রে। অদুমওইনমক অফঘানবু মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবদি কৈদৌনুংদা ওইথোকপা ঙল্লোই হায়না ফোংদোকপা লৈখ্রে।

অফঘানিষ্টানদগী ফোরেন ক্রূপশিং চাদা ৯৫ হেন্না লৌথোকপা লোইখ্রে। লৈহৌরিবা খরা অসিসু ওগষ্ট ৩১ ফাওবগী মনুংদা লৌথোক্লগনি হায়না মরী লৈনবশিংনা ফোংদোরকপা লৈখ্রে। অমরোমদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘানি লাল পাম্বা মীওই অমনি হায়না টালিবানগী মায়কৈদগী ফোংদোরকখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্তুনা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্লবা মতমদতা টালিবাননা খূৎলাই থাদোক্কনি হায়রি।

টালিবান ফাইটরশিংগী ৱাফম য়ুম্ফম য়াওদবনি

কাবুল, জুলাই ২৩ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানগী শরুক চাদা ৯০ রোমদি টালিবান ফাইটরশিংনা কন্ট্রোল তৌবা ঙমখ্রে হায়না টালিবানগী ৱাঙাঙলোয়শিংনা ফোংদোরকখিবা ৱাফম অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোংদোরকখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা টালিবান ফাইটরশিংবু অমুক হন্না তকথোকপগী থবক মায় পাক্লা চথবা হৌখ্রে হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী ৱাঙাঙলোয় ফাৱদ অমননা ফোংদোকখিবদা টালিবান ফাইটরশিংনা অরানবা ৱাফম কয়া শনে দাক্তুনা লৈবাক অদুগী মীয়ামদা অকি তুজুং পোকহন্নবা হোৎনরি। টালিবান ফাইটরশিংনা লৈবাক অদুগী মরু ওইবা প্রোভিন্স কয়া কন্ট্রোল তৌখ্রে হায়রিবা ৱাফম অদু লাইবকথিবনি। গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা মরু ওইবা প্রোভিন্সশিং হৌজিকসু ঙাক শেন্দুনা থল্লি।

ঙমখৈগী শরুক খরা টালিবান ফাইটরশিংনা কন্ট্রোল তৌখি হায়বা ৱাফম অদুদি অচুম্বনি। রেবেল গ্রুপ অসিনা কন্ট্রোল তৌখ্রবা ঙমখৈগী শরুকশিং অমুক হন্না লৌশিন্নবগীদমক গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা স্পেসল কম্মান্দেগী মতেংগা লোয়ননা হোৎনরি হায়না ৱাঙাঙলোয় অসিনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

সাউথ অফ্রিকাদা পুলিসকা মুক্নবগী থৌদোক্তা শিখিবা মশীং ৩০০ হেনখ্রে

কেপ টাউন, জুলাই ২৩ (এজেন্সী) :

থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা সাউথ অফ্রিকাগী হান্নগী প্রসিদেন্ট জেকোভ জুমাবু ক্রিমিনেল অমদি করপসনগা মরী লৈনবা কেসশিং চার্জ তৌখ্রবা মতুং কোর্টনা থা ১৫ গী জেলগী ফাদোক পীদুনা জেলদা থাজিনখিবগী থৌদোক অদুবু ওপোজিসন পার্টি অমদি লৈবাক অদুগী মীয়াম্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকখিবগা লোয়ননা মহাকপু থাদোক্নবা দিমান্দ তৌরদুনা খোঙজং কয়া চঙশিল্লি।

খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়াম অমদি পুলিসনা মুক্নবগী থৌদোক্তা লৈবাক অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৩৩৭ শিখ্রে হায়না লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফোংদোরক্লি।

হৌখিবা নুমিত্তা লৈবাক অদুদা পুন্না মীওই ২৭৬ শিখি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং ঙসি ৩৩৭ য়ৌখ্রে হায়না লৈঙাক্কী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোংদোরক্লি। সাউথ অফ্রিকা পুলিসকী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা শিখ্রবশিং অদুগী মনুংদা ৭৯ না গাওতে প্রোভিন্সতগীনি অদুগা ২৫৮ না ক্বাজুলু-নটাল প্রোভিন্সতগীনি হায়রি।

মীয়ামগী ওইবা ঈহৌ অসি হান্নগী প্রসিদেন্ট জুমাগী ময়ুম লৈরিবা ক্বাজুলু-নটাল প্রোভিন্সতগী হৌরকখিবনি। মদুগী মতুং গাওতে প্রোভিন্সতা মীয়ামগী ঈহৌ অসি শন্দোরকখিবনি। খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়াম্না লৈবাক অদুগী লন্মীগী নাকল্দা লৈবা সোপ্পিং মোলশিং থুগাইদুনা হুরান চিন্থিগী থবক কয়া চথরকপদগী অহেনবা পুলিস ফোর্স কয়া লৈঙাক্না দিপ্লোয় তৌদুনা মীয়ামগী ঈহৌ অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরকখিবনি।

অমরোমদা হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা সাউথ অফ্রিকা গভর্ণমেন্টনা জুমাবু মহাক্কী লৈখিদ্রবা মনাওনুপাগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপগী থৌরমদা শরুক য়াবদা অয়াবা পীখিবা লৈরবনি।

ঈচাওনা মরম ওইরগা খুঞ্জা কয়া শাফগদবা মফমশিংদা চৎপা হৌখ্রে

ঝেংজোং, জুলাই ২৩ (এজেন্সী) :

সেন্ট্রেল চাইনাদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইরগা ঈশিং ঈচাও অমদি লেন্দস্লাইদশিং থোকহনখ্রবা মতুং মখা তানা লৈবাক অদুদা ঈচাওনা অমুক হন্না চৈথেং পীরবা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা সেন্ট্রেল চাইনাদা লৈবা খুঞ্জা কয়া শাফগদবা মফমশিংদা চৎপা হৌখ্রে হায়রি।

ঈশিং ঈচাও অসিনা মরম ওইরগা চাইনাদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৩৩ শিহনখ্রে। খরনা থিবা ফংদনা লৈরি। মসিদা নত্তনা য়ুম অমদি পোৎচৈ কয়া অকনবা ঈচাও অসিনা মাঙহন তাকহনখ্রে। হেনন প্রোভিন্সতা লৈরিবা মীওই মিল্লিয়ন কয়াদা ঈচাও অসিনা কা হেন্না চৈথেং পীখিবগা লোয়ননা মীওই খরনা ময়ুমদগী মপান থোরকপা ঙমদনা লৈনরি। য়ুমগী মথক থংবা শরুকশিংদা মীওই কয়া কাখত্তুনা মথৱায় হিংনবা হোৎনরি। মরক অসিদা চানবা চীঞ্জাক অমদি থক্নবা ঈশিং ফংজিল্লক্তবগী অৱাবসু প্রোভিন্স অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা মায়োক্নরি।

ঝেংজৌ ফায়র ফাইটরশিংনা ঈচাও অমদি লেন্দস্লাইশিংনা চৈথেং পীখ্রবা মফমশিংদা চঙশিন্দুনা মী কনবগী থবক অকনবা মওংদা চথরি। সবৱেশিংদা চঙশিন্দুনা লৈখ্রবা ঈশিং অমদি লৈখোম লৈনাংশিং চিংথোকপগী থবকসু ফায়র ফাইটরশিংনা চথরি। ঝিনজিয়াং অমদি মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মফমশিংদসু ঙৱাং নুমিদাং অকনবা মওংদা নোং তাখিবগা লোয়ননা মহৈ মরোং থাবা লৌফম কয়া মাঙহন তাকহনখ্রে।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা প্রোভিন্স অসিদগী মীওই ৯,০০০ লোম রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা শাফগদবা মফমশিংদা পুথোরকখ্রে। অদুগা মীওই ১৯,০০০ লোম পুথোরকপা ঙমদনা লৈরি। মখোয়শিং অদু অথুবা মতমদা এয়র সার্ভিসকী মতেংগা লোয়ননা পুথোক্লগনি হায়না লোকেল ওফিসলশিংনা ফোংদোরক্লি। সেন্ট্রেল চাইনাদা মখা তানা অকনবা নোং চুরবা য়াবগী অকিবা লৈরি। লোয়ননা চাইনাগী নোংপোক থংবা শরুকশিংদসু অকনবা নোং তারবা য়াই হায়না নেসনল মেটিরোলোজিকেল সেন্তরনা ফোংদোরক্লি।

সিরিয়ান ফোর্সকী এটেকতা ইমুং অমগী মীওই ৭ শিখ্রে

দমাসকস, জুলাই ২৩ (এজেন্সী) :

সিরিয়াগী ওইনা হৌজিক হৌজিক রেবেলশিংনা খুৎলিংদুনা লৈরিবা ইদলিব প্রোভিন্সতা সিরিয়ান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা আর্টিলিরি সেল কয়া কাপশিন্দুনা চথখিবা এটেক অমদা চহী নৌরিবা অঙাং ৪ য়াওনা পুন্না ইমুং অমগী মীওই ৭ শিখ্রে হায়না রেস্ক্যু ৱার্কর অমসুং ৱার মোনিটরশিংনা ফোংদোরক্লি।

মমাং চহীদা রসিয়া অমদি টর্কিনা হোৎনদুনা সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা সিজ ফায়র লৈহনখিবনি। অদুমওইনমক লৈবাক অদুগী মিলিটরিনা ইদলিবতা লৈরিবা রেবেল গ্রুপশিং তকথোক্নবগী পান্দমদা এটেক অদু চথখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না ৱার মোনিটরশিংনা ফোংদোকখ্রবসু করি মরমগীদমক সিরিয়ান ফোর্সশিংনা প্রোভিন্স অদুদা আর্টিলিরি সেল কয়া কাপশিন্দুনা এটেক চথখিবনো হায়বগী মতাংদদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। থা অসি খক্তদা সিরিয়ান ফোর্সশিংনা চথখিবা এটেকশিংদা য়ামদ্রবদা অঙাং ১৭ শিখ্রে হায়না য়ু এন চিলদ্রেন এজেন্সি য়ুনেসেফনা ফোংদোরক্লি।

রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা এটেক অসিগা মরী লৈননা ফোংদোরকখিবদা ইদলিব প্রোভিন্সকী খা থংবা শরুক্তা লৈবা আইব্লিন ভিলেজদা সেলশিং অদু তাশিল্লকখিবনি। থৌদোক অদুদা য়ুম অমা চাওনা অমাং অতা থোকখিবগা লোয়ননা ইমুং অমগী মীওই ৭ পুন্না শিখিবনি। অদুগা ৭ অমনা অশোক অপন নংহনখি। শিখ্রবশিং অদুগী মনুংদা চহী নৌরিবা অঙাং ৪ অমসুং মখোয়গী অপোকপী মমা য়াওরি। বৃটেনদা বেজ তৌবা সিরিয়ান ওবজার্বেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসকী মকোক থোংবা রমি অব্দুর রহমননা ফোংদোকখিবদা শিখ্রবশিং অদুদা লৈখিদ্রবা অঙাংশিং অদুগী মধৌ অমসুং মখুরাসু য়াওরি। শোল্লবশিংগী মনুংদনা লৈখিদ্রবা অঙাংশিং অদুগী অপোকপী য়াওরি।

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তগী হৌজিক ফাওবদা গভর্ণমেন্টনা রেবেল গ্রুপশিংদা চথখিবা এটেকশিংনা মরম ওইরগা চহী নৌরিবা অঙাং ১১ য়াওনা মীওই ২১ শিহনখ্রে। অদুমওইনমক সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল অসদনদি লৈবাক অদুদা লৈরিবা রেবেলশিং মপুং ফানা তকথোক্নবা ফাওবা আর্মীশিংনা রেবেল গ্রুপশিংনা লৈরিবা মফমশিংদা টর্গেট তৌদুনা এটেকশিং লেপ্পা লৈতনা চথখিগনি হায়না ফোংদোকপা লৈখ্রবনি।

ক্লাইমেট চেঞ্জগী মতাংদা মতম চানা এক্সন লৌখৎকদবনি

পেরিস, জুলাই ২৩ (এজেন্সী) :

ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইরগা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা মখল মখা কয়াগী চৈথেংশিং পীবা হৌখ্রে। মদুগী মনুংদা হন্দক্তা লৈবাক খরদা অকনবা মওংদা লাম্মৈ চাক্লিবা অসিসু অমনি। মরম অদুনা ক্লাইমেট চেঞ্জগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ৱর্ল্ড পৱারশিংনা মতাং চানা এক্সন লৌখৎহৌদ্রবদি চহী খরগী মতুংদা মীওইবা খুন্নাই অসি মালেমদা হিংবা ঙম্লক্তবা য়াবগী ফীভম অমদা লাকপা য়াই হায়না ক্লাইমেটোলোজিষ্ট রোবার্ট ভোটার্দনা ফোংদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোংদোরকপদা য়ুনাইটেদ নেসন্সসু হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা পায়খৎবা য়াবা থবকশিং পায়খৎনবা হোৎনরি। অদুমওইনমক ৱর্ল্ড পৱারশিংগী মায়কৈদগী অহেনবা মতেং লাক্তবনা মরম ওইরগা ক্লাইমেট চেঞ্জগা মরী লৈনবা থবক থৌওং কয়া অরেম্বদা তাদুনা লৈরি। হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মালেমগী লৈবাকশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌবগী তঙাইফদবা মতম অদু লাক্লে হায়রি।

অফঘান ফোর্সশিংবু মতেং পাংবা ওইনা য়ু এসনা টালিবানগী মথক্তা এয়রষ্ট্রাইক চথখ্রে

ৱাশিংটন, জুলাই ২৩ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানদগী ইন্তরনেসনল ফোর্সশিং লৌথোকপা হৌখ্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংবু মায়থিবা পীদুনা লৈবাক অদুগী মরু ওইবা প্রোভিন্স কয়া কন্ট্রোল তৌবা হৌখ্রবা মতুং মখা তানা চঙশিল্লকপা ঙমদনবা অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংদা মতেং পাংবা ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা টালিবান ফাইটরশিংগী মথক্তা এয়রষ্ট্রাইক চথবা হৌখ্রে হায়না পেন্টাগোনগী মায়কৈদগী ফোংদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা পেন্তোগোনগী ৱাঙাঙলোয় জোন কিরবিনা ফোংদোকখিবদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা এ এন দি এস এফপু মতেং পাংবা ওইনা য়ু এসনা টালিবান ফাইটরশিংগী মথক্তা এয়রষ্ট্রাইক চথবা হৌখিবনি। য়ু এস ফোর্সশিংনা মখা তানা টালিবান ফাইটরশিংগী মথক্তা এয়রষ্ট্রাইক চথখিগনি। অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্স অমদি অফঘান গভর্ণমেন্টতা মতেং পাংগনি হায়না য়ু এসনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু হৌজিকসু ঙাক্লা চৎকনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অফঘান গভর্ণমেন্টপু টালিবান ফাইটরশিংগী খুত্তা কৈদৌনুংদা তাহল্লোয়। হৌজিক্তি গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংবু মতেং পাংদুনা এয়রষ্ট্রাইক মখা তানা অদুমক টালিবান ফাইটরশিংগী মায়োক্তা চথবা হৌরগনি হায়রি। য়ু এস এয়র সপোর্টকী মতেংগা লোয়ননা অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা টালিবান ফাইটরশিংগী মায়োক্তা মায় পাক্লা কাউন্টর ষ্ট্রাইকশিং চথদুনা লাকখিবনি।

অদুমওইনমক ইন্তরনেসনল ফোর্সশিং লৈবাক অদুদগী লৌথোকপা হৌখ্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগা অকনবা মওংদা এটেক চথবা হৌরকখিবনি। অফঘানদা দিষ্ট্রিক্ট ৪০০ রোম লৈবগী মনুংদা তঙ্খাই অমা হেন্না টালিবান ফাইটরশিংনা কন্ট্রোল তৌবা হৌখ্রবনি। অমরোমদা টালিবান ফাইটরশিংগী মায়কৈদগীদি লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ঘানিনা চথরিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অদু লেপত্রিবা ফাওবা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংদা মখা তানা এটেক চথখিগনি হায়না ফোংদোকপা লৈখ্রবনি।

ফাদোকশিং খূৎ থোক্নবগী থৌদোক্তা শিখিবা মশীং ২২ শুখ্রে

ক্যুইতো, জুলাই ২৩ (এজেন্সী) :

ইক্বেদোরগী তোঙান তোঙানবা অচৌবা জেল অনীদা লৈরিবা ফাদোকশিং খূৎ থোক্নরকপগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়ামদ্রবদা জেল ফাদোক ২২ শিখ্রে। অদুগা পুলিস পর্সনেল কয়া অমসু অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না এনদিয়ন নেসননা ফোংদোরক্লি।

চহী অসিদা জেল ফাদোকশিং খূৎ থোক্নবগী থৌদোক অসি হন্দক্কী অসি থারগা অনীরকশুখ্রে। সাউদর্ন গুয়াস প্রোভিন্স অমসুং কোটোপাকসি প্রোভিন্সতা লৈবা জেলশিং অসিদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অদু কন্ট্রোল তৌনবগীদমক স্পেসল পুলিস য়ুনিটশিং থাজিনখ্রে হায়না লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফোংদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট গুইলরমো লাসোনা ফোংদোকখিবদা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মফিয়াশিংনা মরাল লৈজদবা মীওইশিংদা অকি অখং পোকহনবগী থৌদোক লেপকদবনি। করিগুম্বা মখা তানা মীয়ামদা অকি অখংগী থৌদোক থোকহল্লবদি মখোয়গী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি। হীরম অমত্তদা মরাল লৈবশিং মহাক্কী লৈঙাক্না ঙাকপীবা তৌরোই হায়রি।

মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

#	Country, Other	Total Cases	New Cases	Total Deaths	New Deaths	Total Recovered	Active Cases
	World	193,375,703	+568,564	4,150,990	+8,901	175,713,066	13,511,647
1	USA	35,213,594	+61,651	626,172	+365	29,478,173	5,109,249
2	India	31,291,704	+34,865	419,502	+481	30,460,304	411,898
3	Brazil	19,524,092	+49,603	547,134	+1,444	18,259,711	717,247
4	Russia	6,054,711	+24,471	151,501	+796	5,427,457	475,753
5	France	5,933,510	+21,909	111,565	+11	5,669,094	152,851
6	UK	5,602,321	+39,906	128,980	+84	4,427,533	1,045,808
7	Turkey	5,563,903	+9,586	50,761	+52	5,405,339	107,803
8	Argentina	4,812,351	+13,500	103,074	+256	4,447,953	261,324
9	Colombia	4,692,570	+12,576	117,836	+354	4,449,027	125,707
10	Italy	4,302,393	+5,057	127,920	+15	4,119,607	54,866
11	Spain	4,249,258	+29,535	81,194	+28	3,681,125	486,939
12	Germany	3,758,406	+1,998	91,990	+37	3,642,600	23,816
13	Iran	3,623,840	+20,313	88,063	+226	3,204,136	331,641
14	Indonesia	3,033,339	+49,509	79,032	+1,449	2,392,923	561,384
15	Poland	2,881,840	+126	75,231	+9	2,653,088	153,521
16	Mexico	2,693,495	+15,198	237,207	+397	2,112,815	343,473
17	South Africa	2,342,330	+14,858	68,625	+433	2,109,820	163,885
18	Ukraine	2,246,656	+726	52,790	+21	2,183,003	10,863
19	Peru	2,099,522	+1,711	195,547	+118	N/A	N/A
20	Netherlands	1,827,273	+6,233	17,789	+3	1,662,442	147,042
21	Czechia	1,671,943	+235	30,347	+1	1,638,600	2,996
22	Chile	1,604,713	+1,859	34,792	+181	1,558,669	11,252
23	Philippines	1,530,252	+5,814	26,891	+17	1,452,807	50,554
24	Iraq	1,526,943	+8,106	18,101	+81	1,386,331	122,511
25	Canada	1,425,097	+382	26,526	+14	1,394,060	4,511
26	Bangladesh	1,140,200	+3,697	18,685	+187	969,610	151,905
27	Belgium	1,110,410	+1,735	25,215	+2	1,054,202	30,993
28	Sweden	1,096,341		14,615		1,073,980	7,746
29	Romania	1,081,953	+78	34,264	+4	1,047,000	689
30	Pakistan	998,609	+2,158	22,928	+40	922,929	52,752
31	Malaysia	964,918	+13,034	7,574	+134	815,293	142,051
32	Portugal	943,244	+3,622	17,248	+16	873,008	52,988
33	Israel	856,986	+1,434	6,457	+3	840,712	9,817
34	Japan	852,517	+4,943	15,097	+18	806,202	31,218
35	Hungary	809,016	+71	30,020	+1	744,714	34,282
36	Jordan	763,106	+400	9,929	+7	745,551	7,626
37	Serbia	719,462	+228	7,095	+3	709,704	2,663
38	Switzerland	711,877	+861	10,903		691,224	9,750
39	Nepal	674,726	+1,855	9,661	+24	637,690	27,375
40	UAE	667,080	+1,547	1,910	+3	644,753	20,417
41	Austria	655,197	+452	10,730	+1	640,202	4,265
42	Morocco	567,758	+1,402	9,517	+19	538,370	19,871
43	Tunisia	558,306	+2,309	18,052	+139	453,865	86,389
44	Lebanon	552,871	+543	7,889	+1	535,663	9,319
45	Saudi Arabia	514,446	+1,162	8,130	+15	495,650	10,666
46	Kazakhstan	509,998	+5,708	5,180	+64	439,010	65,808
47	Ecuador	479,784	+1,169	30,777	+25	443,880	5,127
48	Greece	469,042	+2,601	12,851	+5	422,175	34,016
49	Bolivia	465,351	+1,174	17,546	+41	395,353	52,452
50	Thailand	453,132	+13,655	3,697	+87	312,377	137,058

নেস্নেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি, ইম্ফাল, মণিপুর
(সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি অমা)
(গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস)

নং. এফ ২০.এন এস য়ু/এ দি এম এন এস/২০/২১ তারিখ : ২১।০৭।২০২১

এদমিসন নোটিস ২০২১-২২

নেস্নেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি একাদমিক সেসন ২০২১-২২ গী ওইনা মখাগী কোর্সশিং অসিদা মিং চন্নবগী এপ্লিকেসনশিং কৌজরি

ওফর তৌরিবা কোর্সশিং

লেভেল	প্রোগ্রামগী মমিং	দিগ্রি	মতম	
			চহি	সিমেষ্টর
অন্দরগ্রেজ্যুএট	বচেলর ওফ সাইন্স ইন স্পোর্টস কোচিং	বি এস সী (স্পোর্টস কোচিং)	৪	৮
	বচেলর ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন এন্দ স্পোর্টস	বি পি ঈ এস	৩	৬
পোষ্টগ্রেজ্যুএট	মাষ্টর ওফ সাইন্স ইন স্পোর্টস কোচিং	এম এস সি (স্পোর্টস কোচিং)	২	৪
	মাষ্টর ওফ আর্টস ইন স্পোর্টস সাইকোলোজি	এম এ (স্পোর্টস সাইকোলোজি)	২	৪
	মাষ্টর ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন এন্দ স্পোর্টস	এম পি ঈ এস	২	৪

কোর্সশিং অসিদা মিং চনবা অসি কেন্দিদেট অদুগী রিটন ইন্ত্রান্স (এম সী ক্যুজ) টেষ্ট, ফিজিকেল ফিটনেস টেষ্ট, ভাইভা ভোসি অমসুং স্পোর্টস এচিভমেন্ট (শিং)দা য়ুম্ফম ওইগনি। রিটন টেষ্ট (এম সী ক্যুজ) অদু ইন্টরনেট-বেজ প্রোক্তর্দ ওনলাইন ইগজামিনেসন গী খুখাংদা পাঙথোক্কনি।

এন টি এগী ৱেবসাইট : https://nsu.nta.ac.in/ গী খুখাংদা জুলাই ২৮, ২০২১ দগী ওগষ্ট ১৯, ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা ওনলাইন এপ্লিকেসন ফোর্ম রেজিষ্ট্রেসন অমসুং মেনশিনবা য়াগনি।

ইজিবিলিটি ক্রাইটরিয়া, প্রোস্পেক্টস, করম্না এপ্লাই তৌগদগে, ফী, পেমেন্টকী অকুপ্পশিং, ইগজামিনেসন সেন্টর, এদমিসন সেদ্যুল অসিনচিংবা অহেনবা অকুপ্পশিংগীদমক্তা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ৱেবসাইট : www.nsu.ac.in দা ভিজিট তৌবীয়ু।

ইগজামিনেসন রিজল্টশিং ঙাইরিবা কেন্দিদেটশিংসু এপ্লাই তৌবা য়াগনি। অদুম ওইনমক, অসিগুম্বা কেন্দিদেটশিং মখোয়গী ইগজামিনেসন রিজল্টশিং অমসুং মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং সবমিট তৌবগী মতুং ইন্না প্রোভিজিনেল ওইনা এদমিট তৌগনি।

ফিজিকেল টেষ্ট/ভাইভা ভোসিগী পাঙথোক্কদবা তারিখ য়ুনিভর্সিটি অসিগী ৱেবসাইটতা কোন্না লাউথোক্কনি।

হৌজিক্কী পেন্দমিক্কী ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা এদমিসন প্রোসিজরদা অহোংবা লাকপশিং, মখা তাবা এনাওন্সমেন্টশিং অমসুং অপদেট তৌবা খ্বাইদগী নৌবা ইনফোর্মেসন খঙননবা কেন্দিদেটশিংনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ৱেভসাইট চাং নাইনা চেক তৌবীয়ু।

এস দি/-
রেজিষ্ট্রার

davp 47116/11/0001/2122